# ‘রেখা মীহাৎ য়ানিংদে’

ইম্ফাল, জুন ০১: শিংজমৈদগী নাওরেম ওংবী রেখাবু মীহাৎ থীনা হাৎপা থৌওং অসি য়ানিংদে হায়না সলাই অপূনবা নুপী লমজিং লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি শান্তিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নাওরেম ওংবী রেখাবু মশাগী ময়ুমমক্তদা মীনুংশি লৈতনা তমথীনা হাৎলম্বা থৌওং অসিবু সলাই অপূনবা নুপী লমজিং লূপনা থম্মোয় শোক্না কন্দেম তৌবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্না লৈনবা থৌনিজরি।

খুন্নাই অসিদা চৎনরিবা তাবদা অকি-তুজুংবা, লিচৎ-শাজৎ, ইচানুপী, ইচানুপা পোক্তুনা যুন্বানমিন্নরিবা অৱা-অনা শরুক য়ামিন্নবা মপুরোইবনা মাগী নুপীবু হাৎপা, মপুরোইবা লৈরবী নুপীনা মী নেল্লগা মপুরোইববু হাৎহল্লকপা নোংমা কাংদনা থোক্লি। থৌদোকশিং অসি মতম চানা থিংহৌদ্রবদি চৎনবী অমা ওইরক্কদৌরি। মরম অদুনা রেখা নাওরেমবু য়াম্না তমথীনা হাৎলিবা মীশক লেম্না থাবা য়ারোই। মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সী অমদি চোংথাম লৈকায়গী মৈরা ক্লবনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা শরুক য়াগনি হায়রি।

## পোক্সো কেসতা...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়ননা মসিগা মান্নবা সিওরিটি অমগদা বেল পীখিবনি। পনবা য়াবদি, জেল থাজিনখ্রবা এম দি অস্লম খাননা মমাং থাদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি। মহাক্কী মমা অসিনা মচানুপা এম দি অস্লম খাননা নুপীমচা অসিবু কিদনেপ তৌদুনা পুরক্লগা লোৎশিন দুনা থম্বদা মতেং পাংই হায়বগী চাজ দা পুলিসনা ফাখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ২৫ (৫) ২০১৯ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লিবনি।

## লুপা ক্রোর ৭...

*লামায় ১গী মখা...* কোইরেঙ্গৈগী সী আর পি এফ গেট মনাক্তগী ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদুদি এম দি নৱাজ খান (২৫) অপোকপা এম দি নাজির অহমদ কৌই। মহাক লিলোং চাইঙাও খুলদা লৈবনি।

মাগা ফামিন্নবা অনীশুবা নুপা অদুনা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফৌগাকচাও মখা লৈকায়দগী ফিশাবম এম দি রিয়াজ খান (২৫) অপোকপা এম দি চাওবা কৌই। মখোয় অনীদগী ব্রাউন সুগর (হেরোইন) কে জি ৭ অমদি মোবাইল ফোন হেন্দসেট মরি ফাগৎখিবনি। নাবকী এস পি বাসুনা ফোঙদোরকপদা মখোয় অনীদগী ফারবা ব্রাউন সুগর কে জি ৭ অদু লোকল মার্কেটতা লুপা লাখ ৭০ অদুগা মালেমগী কৈথেলদনা লুপা ক্রোর ৭ রোম ওইগনি হায়রি।

# ট্রক ১ লোক্তা ওন্থবদা মীওই ২ শিরে, দ্রাইভর য়াওনা ২ শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস):

চরাংপাৎতগী চেক ৩০০০ রোম পুরগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মৱাই খুন তম্না লাকপা ট্রক অমা সারম খুনদা লোক্তা ওন্থদুনা গুরুং চৎপদা গাড়ী অদুদা তোংবা মীওই অনী শিরে। গাড়ী দ্রাইভর য়াওনা মীওই অনী শোক্তুনা ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটি হোস্পিটাল অমদি শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি, য়াইরিপোক ফৌদেম কৈরাম্বীদগী এম দি য়ামিদুদ্দিন (সেকেন্দ দ্রাইভর), অমনা চীংমীনি মমিং মথা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুদা শোকপদগী হৌজিক অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবা গাড়ী দ্রাইভর অমদি মপু অয়ুক আলি (৪৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি নাশি, লৈফম য়াইরিপোক হৈত্রোইপোকপী অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মৱাই খুনদগী ভিক্টর জাজো (৪০) নি হায়রি।

# ইনভাইরনমেন্ট দে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস):

ওল লোক্তাক লেক এরিয়াজ ফিশরমেন্স য়ুনিয়ন মণিপুরনা লোক্তাক লেক ফিশরমেন্স এসোসিএসন, থিনুঙ্গৈগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দা থিনুঙ্গৈ খা মমাঙ লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। সেভ লোক্তাক, সেভ অৱার ফ্যুচর হায়বা থীমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা লোক্তাক ইকো সিষ্টেম কন্নবগী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# স্কোলারশিপ এগজাম

ইম্ফাল, জুন ০১: চীফ মিনিষ্টরস স্কোলারশিপ এগজাম ফোর সিভিল সার্ভিস এস্পিরেন্ট থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্লগনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এগজাম অসি থৌবাল কোলেজ দা পাঙথোক্কনি। দি সী ওফিসতা ফোর্ম ফংগনি হায়না হায়না দি সী থৌবালগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ঈশিং ফংখিরোই

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস):

মোইরাংখোম ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী মেন্টেনেন্স ৱার্ক পায়খৎকদবা লৈবনা স্কিম অসিনা কোনবা মফমশিংদা থা অসিগী ৩ দগী ৫ ফাওবা ঈশিং ফংলোই হায়না পি ঐচ ঈ দি মণিপুরগী প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন দিভিজনগী এগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# সোসল ওদিট, গ্রাম সভা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস):

উৎলৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী কুমজা ২০১৮-১৯ দা এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক শুখিবা অমদি পি এম এ ৱাই-জিগী মতাংদা সোসল ওদিট গ্রাম সভা অমা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা উৎলৌ অৱাং লৈকায়দা বি এন আর জি এস কে হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নম্বোল সী দি ব্লোককী মনুং চন্না লৈবা ৱার্দ নম্বর ৬ না শেন্বা উৎলৌ গ্রাম পঞ্চায়ট অসিদা নুমীৎ ৬ নি চুপ্না তাঙ্কক মরি ৫ থাক্না চথরকপা সোসল ৱার্কর টি ঐচ মেমচানা প্রিসাইদ তৌখিবা গ্রাম সভা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ওদিটর বিষ্ণুপুর টি ঐচ পঞ্চকুমার, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ওদিটর চাঙে দল এন লুগানিস, সপোর্টিং ষ্টাফশিং অমদি বিষ্ণুপুর জিলা পরিষদকী অধক্ষা ডা. রোমা লাইরেঞ্জম, এস দি ও/বি দি ও নম্বোল সী ঐচ বোবো, দি আর দি এ বিষ্ণুপুরগী প্রোগ্রাম ওফিসর ঐচ টিকেন, এম জি এন আর ঈ জি এস বিষ্ণুপুরগী নোদেল ওফিসর এস শ্যাম, উৎলৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নাওরেম শরত অমদি মরী লৈনবা ওফিসল কয়ানা শরুক য়াখি।

ঙসি অরোইবা নুমীৎকী গ্রাম সভা অদুদা শরুক য়াখিবা এম জি এন আর ঈ জি এসকী জোব কার্দ হোল্ডরশিং অমদি পি এম এ ৱাই-জিগী বেনিফিসরিশিংদা সোসল ওদিটকী ওথোরিটিশিংনা জোব কার্দ হোল্ডর অমদি বেনিফিসরিশিংগী মথৌ, মখোয়না ফংবা অমসুং তৌবা য়াবা থবকশিংগী মতাংদা কুপ্না খঙহনখি।

চথরিবা ওদিট অসিদা ফংলকখিবা রিপোর্টশিং অমদি জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা খঙনিংবা কয়া মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা হংবগী তাঞ্জাসু পীখি। গ্রাম সভাগা মরী লৈননা সোসল ওদিটর টি ঐচ পঞ্চকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, চথরিবা ওদিট অসি মরুওইনা মিনিষ্ট্রিদগী গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা পীরিবা কান্নবা অসি মীয়াম্না ফংলিব্রা, মসিগী কান্নবা মীয়াম্না কয়াম ফংলবগে হায়বগী মতাংদা চথবনি। চথরক্লিবা ওদিট অসিগী শরুক অমা ওইনা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী য়ুমথোঙ খুদিং চৎতুনা স্কিম অসিগী মতাংদসু ৱাহং কয়া তৌবদা কার্দ হোল্ডরশিংদা মশাগী রাইট চপ চানা খঙদবা য়াওরম্বা অসি নুংঙাইতে হায়খি।

# ক্রাইম অমদি হুরান চিন্থি হন্থহন্নবা মরুওইবা...

*লামায় ১গী মখা...* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি কোংবা কৈথেল, কোংবা ক্রোসিং, অয়াংপল্লি, ৱাংখৈ লম্বী, অন্দ্রো পার্কিং, কোনুং মমাঙ, চেক্কোন, শঞ্জেনথোং, মিনুথোং হাট্টা, সোইবম লৈকায়, পোরোম্পাৎ ক্রোসিং, দি সী রোদ, জেনিমস হোস্পিটাল ক্রোসিং, জেনিমস হোস্পিটালগী কমপ্লেক্স, পোং লম্বী, পোরোম্পাৎতা লৈবা এস বি আই বেঙ্ক, য়ু বি আই বেঙ্ক, শিংজমৈ থোংখোঙ, লমলোং কৈথেল অমদি মন্ত্রিপুখ্রিগী হায় কোর্টনচিংবদা সী সী টি ভি কেমেরা থম্বা য়াম্না মথৌ তারি। মসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা মফম অমদা ক্রাইম নৎত্রগা হুরান চিন্থি থোক্লকপা মতমদা মরাল লৈবশিং ফাদুনা পুথোক্লবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, ইম্ফাল মনুংদা হুরান চিন্থি তৌবা অমদি ক্রাইম তৌবা মীওই কয়া পুলিসনা ফাগৎনবা হোৎনরি। লোয়ননা মীওই কয়া ফাগৎলগা লোগী মতুং ইন্না চৈরোক পীবসু য়াওখ্রে। অদুবু হুরান চিন্থি অমদি ক্রাইম তৌরিবা মীওইশিং ফাগৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং চাউনা মথৌ তাই। মসিদা নত্তনা মতমগা চানবা অফবা মখলগী সী সী টি ভি কেমেরা কয়া নেসনল হায়ৱে, এম য়ুগী ম্যেন গেট, ককৱা, শিংজমৈ, মোইরাংখোম, সেক্রেটরিয়েট মমাঙ, গভর্ণর মমাঙ, কংলা ৱেষ্টর্ন গেট, খোয়াথোং, নোর্থ এ ও সী, চীংমৈরোং, আই এস বি টি মমাঙ, লিলাশিং খোংনাংখোং, কোইরেঙ্গৈ, পাওনা অমদি থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী, তেরা, নাওরেমথোং, লম্ফেল, ক্বাকৈথেল, হোস্পিটাল অমদি লৈঙাক্কী ওফিসশিং য়াওনা মফম কয়াদা থম্বা য়াম্না মথৌ তারি। হান্না সী সী টি ভি কেমেরা ময়াম থমখিবশিংগী মরক্তা য়াদবসু য়াম্না য়াওরি অমদি মৈ মম্বা কয়া য়াওরিবা অসিসু নৌনা শেমগৎপা মথৌ তারি।

হৌজিক ইম্ফাল মনুংদা গাড়ী মাঙখিবা কয়া ফংবা ঙমদনা লৈরি। মী চিকপা তাল্লক অমদি নুমিদাংগী মতমদা গাড়ীনা লম্বীদা চৎপা মীওই থোল্লম্লগা খাল্লমদনা থৌখিবদগী হৌজিক ফাওবা গাড়ী ফাবা ঙমদবা কেস কয়া লৈরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, হৌখিবা মে ২২গী নুমিদাং পুং ১১.২০ রোম তাবদা ইম্ফালগী এম জি এভিন্যু মচিন্দা শগোল তোংদুনা লাকপা নহা অমা গাড়ীনা থোল্লম্বদগী শিখি। শগোলসু শোকখি। অদুগা থোল্লম্লিবা গাড়ী অদুদি হন্না য়েংলমদনা থৌখি হায়রি। থাখরগী মমাঙদসু দিঙ্কু রোদতা লৈবা আই এস বি টি মমাঙদা নুপা অমা গাড়ীনা থোল্লম্বদগী শিখি অদুগা থোল্লম্বা গাড়ী অদুনা ঙসি ফাওবা ফাবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

মী থোল্লম্লগা গাড়ী নাম্থোকখিবগী খরা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন অমদি পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা এরিয়াদসু থা খরগী মমাঙদা থোকখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা গাড়ীশিং অদু ফাবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ক্রাইমদা চেন্নবা গাড়ীশিং ফাবা ঙম্নবা ইম্ফালগী মফম চাবা য়েংদুনা সী সী টি ভি কেমেরা য়াম্না থম্বা অমদি মৈ ঙান্না থানবা মথৌ তারি।

অমরোমদা, লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ও ওজিৎনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা হুরান-চিন্থি অমদি এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি। নুমিদাংগী মতমদা মখোঙ মরি পানবা গাড়ীশিংনা লম্বীদা চৎপা গাড়ী মচা থৌবা অমদি খোঙনা চৎপা মীওই কয়া থোল্লম্বদগী মীশি-মীনা থোকপা কয়া য়াওরি। অদুবু থোল্লম্লিবা গাড়ী অদু চেনখিবনা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিন মরী লৈনবশিংনা পুথোকপা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসিগী লংলা-লংজিন নীংথিনা পুথোক্লবা হোৎনবদা লম্বীদা খিনবা সী সী টি ভি কেমেরাগী ফুটেজশিংসু মতাং-মতমগী মতুংইন্না মথৌ তারকই। মরম অসিনা লৈঙাক্না লমদম অসিগী মরুওইবা লম্বীশিং য়াওনা মফম কয়াদা সী সী টি ভি কেমেরা মরাং কায়না খিনবীরবদি ক্রাইম অমদি হুরান-চিন্থি হন্থহনবদা মতেং ওইগনি খল্লি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# রেখা মীহাৎ : মপুরোইবা দিজমণি নুমীৎ ১০ নিগী পুলিস কষ্টদি...

*লামায় ১গী মখা...* মেজিষ্ট্রেট ৱাই ধনন্দ্র মফম অদুদা থুংলরবা মতুংদা ৱিটনেসশিংগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা থিজিনবা হৌখি। পুলিস টিম অমদি ফোরেন্সিক টিমনা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা মখা তাবা থৌরাং পূম্নমক লৌখৎলবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পুখি। থৌদোক থোকফম অমদি য়ূম মনুংদা শম খরা, ঈ তৈবা ধূপ য়ুংনবা কোপরগী ইন্সেন্স ষ্টিক ষ্টেন্দ (মী হাৎপদা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা) অমসুং ইমুংগী মফম খরদা ঈ তারম্বা থেংনখি। ইমুংগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা ষ্টেয়র কাফম মখাদা লৈরম্বা পোৎলমশিং অদু এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি পাঙ্গৈগী সাইন্টিফিক ওফিসর মাইবম ইনাওবীনা লুচিংবা মোবাইল ফোরেন্সিক য়ুনিটকী মতেংগা লোয়ননা লৌখৎখি। স্পোট ইন্সপেক্সন চথরবা মতুংদা ফিঙ্গর প্রিন্ট এক্সপর্টশিংনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক মফম অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চঙহনখিদে। নুমীৎ অদুমক্তদা কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা দিজমণিবু পুলিস ষ্টেসনদা কৌদুনা ষ্টেটমেন্ট লৌখি।

দিজমণিগী ৱারোল তাবগা লোয়ননা মহাক্না শেৎপা ঈ তৈবা খোঙ্গ্রাউনচিংবা পোৎলমশিং ফোর্মেল সিজর মেমো পীরগা লৌখৎখি। ফিঙ্গর প্রিন্ট এক্সপর্টশিংনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা অশিবা হকচাং অদু ভিদিও কভরেজ তৌবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন পাঙথোকখি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংখিবা ব্লদ সেম্পল, শম, খূৎ অনীমক্কী খূজিন্না খোৎপগী ময়ি, শম পকপা হ্যের বেন্দ, লৈখিদ্রবী রেখানা শিরগা লৈরম্বদা শেৎলম্বা ফিজোল, অশিবা হকচাং মনাক্তগী ফংবা ফিরোলনচিংবা খূদম ওইবা য়াবা পোৎলম পূম্নমক রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন্সিক মেদিসিনগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. মেমচৌবী পি ঐচনা পুথোরকপদগী সিজ তৌশিনখি। পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসনগী ভিদিও কেসেটসু সিজ তৌশিনবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবী রেখাগী ফিঙ্গর প্রিন্ট লৌখি। মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন ওইনা টাইল নপ্পগী থবক তৌবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী হৌজিক্না মেজোর খুলদা লৈবা সমোলপাল (৩৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা মখনপাল; বিহারদগী হৌজিক্না খাবম লমখাইদা লৈবা গুদুপাস্বান (৩৭), অপোকপা কুলদিপ পাস্বান অমদি বিহারদগী হৌজিক্না খাবম লমখাইদা লৈবা বিরেন্দ্র শাহ (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা জিবনরায়ন শাহ অমদি কমপ্লেনেন্টকী দ্রাইভর ওইনা লৈবা উৎলৌ ময়াই লৈকায়দগী থৌনাওজম জয় (৫৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ তোম্বীবুসু এগজামিন তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী হ্যের সেম্পল লৌখি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তানা হায়, লৈখিদ্রবী রেখাগী ময়ূমদা লৈদুনা রোবর্ট নাওরেমগী উরিপোক ফ্লাই ওভর মনাক্তা হাংবা সেলূনদা থবক তৌবা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দগী ভিস্কাউন্ট অহোংশাংবম অমসুং থৌবাল কিয়াম সিফাইদগী নিংঙোম্বম সমানন্দগী হ্যের সেম্পলসু লৌখি। তোঙান-তোঙানবা মফমদগী সী সী টি ভি ভিদিও ফুটেজ নৌনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা নাওরেম দিজমণি মশামক থৌদোক থোকখিবা মতমদা য়ূমদা লৈখি হায়বগী খূদম ফংখি। মহাক্কী খোঙ্গ্রাউদা ঈ চোংবগী খূদমসু ফংখি। ইচম-চম্না অশিবা হকচাং অমা পায়রুবদা ঈ তৈরকপগী মওং নৎতবদা ঈ চোংলকপগী খূদম ফংখিবগা লোয়ননা থৌদোক থোকখিবা নুমীৎ অদুদা মহাক্না লৈখিদ্রবী রেখাগা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না উনখি হায়বগী খূদম ফংবা ঙমখি।

নুমীৎ খূদিংগী ওফিস চৎলমদাইদা দিজমণিনা মহাক্কী লোয়নবী (লৈখিদ্রবী রেখা)দা গেট লোনশিন্নবা হেক-হেক খঙহনবা তারবসু নুমীৎ অদুদদি গেট হাংদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মসিগীসু মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন টিমনা থৌদোক থোকফমদগী ধূপ য়ুংনবা কোপরগী ইন্সেন্স ষ্টিক ষ্টেন্দ লৌখৎলগা য়েংলুবদা দিজমণিনা মুনখিবা মরম্না চিংননিংঙাই ওইবা খূদম কয়ামরুম ফংখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা দিজমনিবু ৱাহং-পাউহং চথবদা চিংননিংঙাই ওইবা থৌদোকশিংগী মতাংদা মতীক চাবা পাউখুম অমত্তা পীবা ঙমখিদে। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা মীওই অসিবু ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৩০ দা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফাখিবনি। ৱাফমশিং অসিনা মরম ওইরগা দিজমণিবু নুমীৎ ১০ নিগী পুলিস রিমান্দ পীবীননবা ৱাফম পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা থল্লকখিবনি।

অমরোমদা, জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ নাওরেম ওংবী রেখা দেবীনা শীন্দুনা মীফম অমা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা শীংজমৈ থোকচোম লৈকায়গী ৱাই দল্লিয়ু ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জে এ সীনা তানবা দিমান্দ অয়াম্বা ফংলবনিনা হয়েং জুন ২ দা লৈখিদ্রবী থোকচোম নিংঙোল নাওরেম ওংবী রেখা (৬৬)গী হকচাং মথৌ-মঙম পাঙথোকপা হায়না য়ানখি। লোয়ননা এক্যুজ ওইরিবা এন দিজমণিদি লৈখিদ্রবী রেখাগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকপদা শরুক য়াহন্দবা অমদি মহাক মশাগী লৈকায়দা লৈহন্দবা, মহাক্কী লৈহৌরিবা মরল-মথুমশিং লৈহৌরিবা মচানুপাগী মিংদা ওনশিনবীবা অমদি দিজমণিগী মিংদা অমত্তা লৈহনদবা হায়না মীয়াম্না অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়রি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF AGRICULTURE : MANIPUR
## ꯂꯧꯁꯤꯟꯕ / RECRUITMENT NOTICE

Imphal, the 31st May, 2019

**No.AGM-III/16-PLG/2013 :** It pursuance to the Government of Manipur, Secretariat Agriculture Department convey approval for advertisement vide letter No. 23/9/2018-Agri (KVK) dated 28.05.2019, the Directorate of Agriculture, Government of Manipur invites application in the prescribed format from the intending candidates of Indian Nationals for appointment of Temporary basis in the Krishi Vigyan Kendra (KVK), Thoubal to the following post as indicated below:

| Sl. No. | Name of Posts | Qualifications | Scale of Pay | No. of Post | Category |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Subject Matter Specialist (SMS), Fisheries | **Essential** : Master Degree in Fisheries with good academic record from a recognized University. Desirable : Doctoral degree in the relevant field with knowledge of local language/ communication skill Two years' field working experience in a reputed firm/institute | 15600-39100 GP-5400 | 1 | UR |
| 2. | Programme Assistant (Extension Education Agriculture & Allied) | **Essential** : Bachelor's degree in Agriculture & Allied with Extension Education as Major Subject and preference will be given to A.H & Vety Sciences. **Desirable : Master Degree (Extension Education) in Agriculture & Allied** with Knowledge of local language/ communication skill with good academic record from a recognized University. Two years' field working experience in a reputed firm/institute | 9300-34800 GP 4200 | 1 | UR |

**2. Tentative schedule for the recuitment :**

| Name of Post | Last date of submission of Form | Issue of Admit Card | Tentative date of walk in interview for short listed candidates |
|---|---|---|---|
| Post at Sl. No. 1&2 | 5.00 P.M. of 20.06.2019 | 26.06.2019 to 28.06.2019 | 29.06.2019 and onward |

3. The Prescribed Application Form and general instruction can be downloaded from the official website http://kvkthoubal.org/site/notice. The duly filled in Hard Copies of the same along with processing fee of Rs. 500 for UR and Rs. 400 for ST/OBC and PWD respectively be submitted through Speed Post only of the Indian Postal Service addressed to **"The Senior Scientist & Head, Krishi Vigyan Kendra (KVK), Thoubal, Adjacent to Rice Research Station Wangbal, Thoubal, Manipur, 795138"** within the stipulated time.

4. Age of the aspiring candidate shall be as per State Government Rules/Policy on the date of this Notification.

5. The schedule for the walk in interview may be re-scheduled without assigning any reason.

Sd/- **Laltanpuii Vanchhong**
Director of Agriculture, Manipur

HL-P/4250/2,3,4

ꯈꯤꯡꯗꯝ
KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
& COMPUTER INSTITUTE
New Classes begin, Please Come & Join
English Course + Free 1 mth. Computer Course
Instructor :
SIR NAOBI LOITONGBAM
FREE FOR ORPHANS
19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
#7005622203, 7005665814
English Features :
Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Soft-skills, Daily Conversation, Personality Development, etc.
Computer Courses :
DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing, HTML Programmings, Data Entry, etc.
SPOKEN HINDI CLASS AVAILABLE
Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
Old Lambulane, Jail Road, Opp. G.P. Women's College
HL-B/5359/27/4-27/5



## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE SERVICE WANGJING & KHONGJOM**
Booking Upto : 25/04/2019
Valid From : 21/04/2019
***Stk : 612 (CTC)***
Timing:07.30am to 10.00am

**HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 06/05/2019
Valid From: 02/05/2019
***Stk : 576***
(Aadhaar Link Consumers Only)

**KHORIPHABA (NAMBOL) SL. No. 31708 - 32157**
Booking Upto: 09/05/2019
Valid From: 04/05/2019
Timing:7.00am to 09.30am

**MAIBIA GAS, MOIRANG SL. No. 3691 - 4330**
Booking Upto: 17/04/2019
Valid From: 15/04/2019
**Stk : 306**
Timing:7.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:25/04/2019
Valid From:17/04/2019
**Stk : 612**
Timing:7.30am to 09.30am

**RBD GAS AGENCY**
Booking Upto: 24/04/2019
Valid From:11/04/2019
**Stk : 612 (CTC Only)**
Timing: 06.30am to 10.30am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto: 16/04/2019
Valid From: 05/04/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am
First Come First Serve

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:15/05/2019
Valid From:10/05/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto:14/04/2019
Valid From:12/04/2019
**Stk : 306**
Timing:06.00am to 09.30am

**HIYANGTHANG INDANE SI. No. Upto - 700**
Booking Upto:19/04/2019
Valid From:15/04/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am
(Rate Rs. 856/-, Cash & Carry)

**PHAYENG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:22/05/2019
Valid From:15/05/2019
**Stk : 306**
Timing:08.00am to 10.00am
(Frist Come First Serve)

## NIELIT, Imphal

**National Institute of Electronics & Information Technology**
**(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics & Information Technology, (MeitY) Govt. of India)**
**Akampat, Post Box No. 104, Imphal - 795 001, (East) Manipur**

**ADMISSION NOTICE FOR LONG TERM COURSES– 2019**
**(Course fee Free for SC & ST Students)**

| Sl. No. | Name of Course | Intake CCpur | Intake Senapati | Intake Imphal | Eligibility |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | 2 - years Master of Science in Information Technology (MSc. IT) | NIL | NIL | 40 | A candidate who has qualified any one of the following degree (i,ii) with at least 50% marks (45% for SC/ST) from a recognized University or any recognized university as equivalent thereto shall be admitted to the first year of M.Sc (IT) course : (i) Bachelor Degree in any discipline from a recognized University with Mathematics/ Computer Science/Statistics as one of the subjects at 10+2 level or (ii) BCA or B.Sc in IT/Computer Science/Physics/ Mathematics/Electronics Physics/or any relevant computer related recognized subject as one of the subject. |
| 2. | 3 - years Master in Computer Application (MCA) | NIL | NIL | 30 | Passed B.A./B.Sc/B.Com/B.E/ B.Tech with minimum 50% Marks in aggregate. Such a candidate should have offered and passed Mathematics in the 10+2 Exam. Or, 50% marks in the aggregate in BCA. No cut-off marks for SC/ST students. |
| 3. | 1 - year Post Graduate Diploma in Computer Application (PGDCA) | NIL | NIL | 51 | Passed three-year degree course in any discipline. |
| 4. | NIELIT Multimedia & Animation Technology (MAT)-O Level | NIL | NIL | 30 | Passed 10+2 in any discipline. |
| 5. | 3 - years Bachelor of Computer Application (BCA) | NIL | NIL | 170 | Passed 10+2 (Science with Math or Computer Sc) Exam recognized by Manipur University offering the relevant subject (s). |
| 6. | 3 - years Diploma in Computer Science & Engineering (DCSE) - (AICTE Approved) | NIL | NIL | 60 | Passed (in single sitting without any grace mark) in the HSLC Examination (class-X) conducted by BOSE, Manipur or any other examination recognized by the Manipur University as equivalent and 15-22 years of age as on 1st of July 2018. Upper age limit is relaxable by 3 years for SC/ST/PH candidates. |
| 7. | 3 - years Diploma in Electronics and Communciation (DECE) Engineering- (AICTE Approved) | NIL | NIL | 60 | |
| 8. | 1 - year NIELIT (IT) - O Level | 40 | 40 | 60 | Passed 10+2 or ITI certificate (one year) after matric. |
| 9. | NIELIT Computer Hardware Maintenance (CHM) - O Level | 20 | 20 | 30 | Passed 10+2 (any stream) or ITI (One year after 10 passed) in Electrical/ Electronics/ Computers |

**Last date of form submission : 14th Jun 2019 (for Sl. 5 to 9) & 26th Jul 2019 for (Sl. 1 to 4)**
**Date of commencement of the classes : 26th Jun 2019 (for Sl. 5 to 9) & 5th Aug 2019 for (Sl. 1 to 4)**
**Reservation** for SC/ST/OBC/PH students as per Government of India rules and **Course Fee is free for SC/ST students.**

**HOW TO APPLY :** Application can be submitted online through https://nielit.gov.in/imphal/content/admission-new or, http://14.139.207.251:8080 on payment of Rs.200/- through e-transfer (NEFT or UPI) to **A/C No: 0651010372503 of United Bank of India, Singjamei Branch (IFSC- UTBI0SGJG08) or, using Debit/Credit card/Deposit challan** at Akampat office during 9:00 AM to 5:30 PM on all working days **(Monday-Friday).**

Application submission facility is also available at NIELIT Extension centres at Senapati & Churachandpur and Training units at Chandel, Kangpokpi, Mao, Moreh, Tamenglong and Ukhrul on payment of **Rs. 200/-.**

The eligible candidates will have to appear in an admission test. Date and venue of Entrance test will be notified in the admit card. Admit Card can be downloaded from http://nielit.gov.in/imphal/content/admission-new or, http://14.139.207.251:8080 w.e.f 10th June 2019. Prospectus can be downloaded from https://nielit.gov.in/imphal.

Sd/-
Executive Director

HL-B/5413/26,27 May, 1&2 June